## সোমোরেন্দ্রো মেমোরিএল ফুটবোল

ইম্ফাল, জানুৱারি ০২ ঃ
থৌবাল কিয়াম সিফাই মমাং লৈকাইগী গ্লোবেল ক্লবনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী লম্পাক্তা চত্থরিবা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল থাংজম সোমোরেন্দ্রো সিংহ মেমোরিএল ফাইভ এ সাইদ অন্দর ১৪ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা জি এফ এ টিম বি বামোন লৌকই অমসুং কে এস দব্লিয়ু টি দি এ অমুরিজম অনীনা শান্নগদবা মেচ অদুদা জি এফ এ টিম বি লাক্তবদগী কে এল দব্লিয়ু টি দি এনা ৱর্ক ওভর ফংখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা গ্লোবেল ক্লব কিয়াম সিফাই অমদি সেবা সাবলতোংবা গোল ১-১ দা ড্রো ওইখ্রে। গ্লোবেল ক্লবকী গোল অদু থাংজম অভিনাসনা মেচকী ২৪ শুবা মিটিতা চনখি। সেবাগী গোল অদুনা রবিচন্দ্রনা মেচকী ৫৬ শুবা মিনিটতা চনখি। হয়েং অহানবা মেচ গ্লোবেল ক্লব টিম বি কিয়াম সিফাই অমসুং জি এফ এ টিম সি বামোন লৈকাইগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ ৱাই দি এ হাওখা অমসুং ৱাই ঈ দব্লিয়ু এ ৱাইথৌগা শান্নগনি।

## টগ ওফ ৱারগী ট্রাইএল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জানুৱারি ০২ ঃ
টগ ওফ ৱার ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা মহারাষ্ট্র টগ ওফ ৱার এসোসিএশন্না শিন্দুনা থা অসিগী ২৯ দগী মথং থাগী ২ ফাওবা কেনগুরলা দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা ২ শুবা বিটচ সেনিয়র নেশনেল টগ ওফ ৱার অমসুং ৮ শুবা ওপন সেনিয়র নেশনেল টগ ওফ ৱার মেন'স এন্দ ৱুমেন'সতা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী শান্নরোইশিং খন্নবগী ট্রাইএল অমা পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অনী অসিদা মণিপুরনা সেনিয়র নুপাগী কেজি ৬০০ কী কাংলুপ, নুপা অমসুং নুপীগী মিক্সকী কেজি ৫৪০ গী কাংলুপ্তা অদুগা নুপীগী কেজি ৪৮০ গী কাংলুপ্তা শরুক য়ারুগনি। মরম অদুনা অসামদা রেজিষ্টর তৌরবা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোইশিং অমদি মশান্না অসিদা শরুক য়ানিংবা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোইশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি।

নুপাগী ওইনা য়ামদ্রবদা মশাগী কেজি ৭৫ য়ৌবা অদুগা নুপীগীনা য়ামদ্রবদা কেজি ৬০ গী অরুম্বা য়ৌবা শান্নরোইশিং ওইগদবনি। শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ৪ ফাওবগী মনুংদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

## ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জানুৱারি ০২ ঃ
পুংদোংবম য়ুথ ফিজিকেল ক্লবনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৮ দগী পুংদোংবমদা লৈবা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা অহানবা পি ৱাই পি সি ট্রোফি সব জুনিয়র অন্দর ৪৫ কেজি ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা লুপা লিশিং ১০ গী শেলগী মনা পিগনি। রন্নর্স-অপ্তুনা লুপা লিশিং ৭, বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমদা লুপা লিশিং ২, বেষ্ট প্লেয়র, বেষ্ট গোল কিপর অমসুং টোপ স্কোররদা লুপা লিশিং ১/১ গী শেলগী মনা পীগনি। শরুক য়ানিংবা টিমশিংনা থা অসিগী ১২ ফাওবগী মনুংদা এদমিশন তৌবা য়াগনি। মেনেজরস মিটিংনা থা অসিগী ১৪ গী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা পাঙথোক্কনা ফিক্চর ড্রো অমদি মেদিকেল চেক-অপনচিংবা পাঙথোক্লগনি। মখা তাবা অকুপ্পা ৱারোল পুংদোংবম য়ুথ ফিজিকেল ক্লবতগী খঙলবা য়াগনি।

## মণিপুর টিম থানবা সেপাক তাক্রোগী ট্রাইএল

ইম্ফাল, জানুৱারি ০২ ঃ
জেনরেল কাউন্সিল সেপাক তাক্রো ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুরগী সেপাক তাক্রোগী এদহোক কম্মিটি অমা শেম্নবগী মীওই তরুক খল্লকপগী মতুং ইন্না ইমার্জেন্সি মিটিং অমা তৌরবা মতুং থা অসিগী ১১ দগী ১৪ ফাওবা অন্ধ্র প্রদ্রেশকী কুরনুলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৭ শুবা সব জুনিয়র নেশনেল চেম্পয়নশিপ ফোর বোইজ এন্দ গার্লসতা মণিপুরগী টিম থানবগীদমক ট্রাইএল সেলেক্সন অমা জানুৱারি ৩ দা পাঙথোক্লগনি।

খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রাইএল অসিদা শরুক য়ানিংবা মশাগী চহী ১৪ মখাদা লৈবা নুপা অমসুং নুপী শান্নরোইশিংনা মতম চানা লাক্তুনা ওফিসিএলশিংদা রিপোর্ট তৌগদবনি। শান্নরোইশিংনা ট্রাইএল য়াওবা লাকপা মতমদা মশা মশাগী এজ প্রুভ সার্টিফিকেটসু লোয়নরক্কদবনি হায়রি।




HL-B/2171/3,5,7,9,11,13,15,17



HL-B/2155/3,4,5,6



HL-B/2119/3



HL-B/2192/03




| Border students: | Annual Fee Structure | | | Monthly |
|---|---|---|---|---|
| Class | Admission | Tuition | Total | Mess |
| Pre-Nursery to Class KG | 1,200 | 350x12=4200 | 5400 | 2,200 |
| Class I to VII | 1,400 | 400x12=4800 | 6200 | 2,300 |
| Class VIII to X | 1,800 | 450x12=5400 | 7200 | 2,500 |

HL-P-2326/22/11-16/01


